ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
হুইয়েন লানপাউ

Vol. 40, Issue No.112 | শগোলশেন, ঈঙেন ১৭নি পানবা, | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, July 21, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

বিহারগী ঔরঙ্গবাদ দিষ্ট্রিক্তা নক্সলনা চথরকপা এটেক্তা লৈখিদ্রবা কোৱা ফোর্সকী পার্সনেল ওপেন্দ্রোগী হকচাংদা দেপ্যুটি সী এমনা ঈকায় খুম্নবা উৎপা



জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ওইরম্বা খোমদ্রাম রতন ফানবা লাউথোকখিবা ৱান্টেদ হন্দোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা শিংজমৈ থোংখোংদা খুথাং চরা হেনবা



জেনিমসকী দিরেক্টর অমসুং দেন্টেলগী ডোক্টর অমগী সার্বিসকা মরী লৈনবা ৱাফমদা কে সী পি-পোইরৈ মীতৈ লূপনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা ওইখিবা শক্তম



খোমদ্রাম রতন ৱান্টেদ লাউথোকপগা মরী লৈননা মণিপুর হায় কোর্টকী থবক্তা পেন্দবা ৱাফম ফোংদোক্লবা নুপীশিংনা গভর্নর বঙ্গলোগী গেটতা থোমজিল্লকপগী শক্তম



**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা- ২৮.৮ দিগ্রী সেলসিয়স
খ্বাইদগী ঈংবা-২২.৭ দিগ্রী সেলসিয়স
নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিল-
অয়ুক-চাদা ৮৬
নুংথিল -৭৮
নোংজুগী চাং-০.০ এম এম
নুমিৎ থোকপা -অয়ুক পুং ৪.৩৭
নুমিৎ তাবা-নুংথিল পুং ৬.০৪

## ওপেন্দ্রোগী হকচাং ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০: বিহারগী ঔরঙ্গবাদ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা জঙ্গল অমদা নক্সলাইটনা বোমগী এটেক্ট চথদুনা নোংমৈ কাপ্পবদা লৈখিদ্রবা মনিপুরদগী সি আর পি এফ (কম্মান্দো) খুন্দ্রাকপম ওপেন্দ্রো এলিয়জ রোবিন (৪৩) গী হকচাং ঙসি ইন্দিয়ন আর্মিগী অখন্নবা হেলিকোপ্টর অমনা ইম্ফালগী টুলিহল এয়রপোর্টতা পুরক্কুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে। ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা লৈখিদ্রবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈরোক পার্ট টু মনিং লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা খুন্দ্রাকপম মনিয়াইমগী মচানুপা ওপেন্দ্রো এলিয়জ রোবিনগী থৱাই য়াওদ্রবা হকচাং অদু ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা হেক পুরকপগা সি আর পি এফকী কাঙবুনা গন সেলুট পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মতুংদা মনিপুরগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম, রুরেল এন্দ ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

## পুং ৪৮গী মনুংদা য়েন্থোক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০: নেসনল ফ্রন্ট সেক্যুরিটি মিসনগী মখাদা য়েন্থোকফম থোকপা চেঙ লৈঙাক্কী ওথোরিটিনা য়েন্থোক্তবগী মায়োক্তা খুরাই অমদি খুন্দ্রাকপম এসেম্বলী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীয়াম্না চংশিল্লক্লিবা খোঙজংদা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মনিপুরনা শৌগৎলক্লি। মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মনিপুরগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি নোংলেন মৈতৈনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এসেম্বলী কন্সটিট্যুয়েন্সি অনী অসিগী এম এল এশিংনা মীয়ামদা পুং ৪৮ গী মনুংদা ফুদ সেক্যুরিটিগী চেঙ য়েন্থোক্তবদি শাথিবা ফল মায়োক্লগনি। মীয়াম্নসু ফংফম থোকপা চাকথুং অসি ফংদ্রিফাওবা খোঙজং চংশিনবীয়ু। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুং অসি পীদবা তারবদি ৱাফম অসি য়াম্না লুম্না লৌগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মণিপুরগী শেল-থুমগী ফীভম শাথিনা ফৎত্রে, মখল খূদিংমক্কী ট্রান্সেক্সন থিংখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২০(ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী হৌজিক ওইরিবা শেল-থুমগী ফীভম শাথিনা ফৎত্রে, মতম অমদা হেক্তমক ওভরড্রাফ্ট তাবগী ফীভমদা লৈরে হায়না পাউচে অসিনা ফংবা অৱাংবা থাক্কী পাউগী লীখুল অমনা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, অকিবা ফংলবা ফীভম অসি লাক্তনবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা তোঙান তোঙানবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখ্রে। থৌরাংশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা শেল কায়থোক-কায়শিন্দা অথিংবা থম্বগা মরী লৈনবা চে-চাং অমত্তা থোকপদি লৈতে। অদুমকপু ষ্টেট ট্রেজরি ওফিসশিংদা লৈঙাক্তা মরী লৈনবা শেল অমত্তা কায়থোক্তনবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা চিনহায় ওইনা খঙহল্লকপা লৈখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা ট্রেজরি ওফিস খূদিংমক্তা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ট্রান্সেক্সন তৌরক্তবা নুমিৎ ৩নি শুখ্রে।

ট্রেজরি দিরেক্টরগী পাউতাক মতুং ইন্না মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মথৌ তৌরিবা ট্রেজরি ওফিসরশিংনা থা অসিগী ১৮দগী ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোব, পেন্সনগী শেনফম অমদি কন্টিজেন্সী ফন্দগী শেনফম পুম্নমক কায়থোকহন্দ্রে। শেল কায়থোকপা থিংবদা কন্টিজেন্সী ফন্দ অসিদা কন্ট্রেক্ট ৱার্ক, ওফিস এক্সপেন্দিচরনচিংবগী শেনফমশিংসু য়াওরি। পাউ অসি অচুম্বনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা দিপার্ট-মেন্ট অমগী ওফিসর অমনা হায়রি।

অৱাংবা থাক্কী পাউগী লীখুল অসিনা মখা তানা পাউচে অসিদা হায়খি, হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী এক্স চেকর একাউন্টতা লুপা ক্রোর ৪০০ রোম লৈরমই। অদুমকপু হায়রিবা শেনফম অসিদগী দি আর দি এগী ওইনা লুপা ক্রোর ২২০ অমদি অতৈ অতোপ্পশিংগী লুপা ক্রোর ৭০ রোম কায়থোকখিবা লৈরে। শেনফমশিং অসি কায়থোকখিবদগী হৌজিক ষ্টেটকী এক্স চেকর একাউন্টতা লুপা ক্রোর ১০০ রোমতমক ঙাইহৌরে। ষ্টেটকী ওইবা রিসোর্ছ মরাং কায়না লৈতবা অমসুং সেন্টরদগীসু হৌজিকমক্কী ওইনা অতোপ্পা ফন্দ অমত্তা লাক্তবনা ওভরড্রাফ্ট তাবা য়াবগী ফীভম অসি লাকপনি।

লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন মতুং ইন্নদি অইবা ইন্সট্রক্সন পীরবা মতুংদা ভর্বেল এদভাইস পীরবা তুংদা শেল কায়থোকপগী থবকশিং অসি থিংজিনগদবনি। অদুমকপু হৌজিকমক্কী ওইনদি অইবা ইন্সট্রক্সন অমত্তা পীবা তৌদনা চিনহায়দা শেল কায়থোকপগী থবকশিং অসি থিংজিনখিবনি।

লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংগী থাগী তোলোব পীবদা চাউরাক্পা লুপা ক্রোর ২০০দগী ৩০০ লোম চৎলি। অদুগা পেন্সনগী শেনফম ওইনা লুপা ক্রোর ৬০দগী ৭০ ফাওবা থা ১গী চৎলি। ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোব অমদি পেন্সনরশিংগী থাগী পীফম থোকপা পেন্সনগী শেনফমশিং অসি পীথোক্লবা হোৎনবদা লুপা ক্রোর ৩৫০ রোমদি তঙাইফদনা মথৌ তাই।

অমরোমদা, ষ্টেটকী এক্স চেকর একাউন্টতা হৌজিক লৈরিবা শেনফম অসিনদি কন্ট্রেক্ট ৱার্ককী ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

## জপানিজ এনকেফেলাইটিস লায়না মণিপুরদা শন্দোরক্লে

**জুলাই ২দগী ঙরাং ফাওবদা মীওই ৯ পোজিটিব ওইবা থেংনরে**



ইম্ফাল, জুলাই ২০(ঐচ এন এস): কাংনা শন্দোকপা জপানিজ এনকেফে-লাইটিস লায়না মণিপুরদা নৌনা শন্দোরক্লে। থা অসিগী ২দগী ঙসি ফাওবদা মীওই মাপন পোজিটিব ওইবা থেংনরে হায়না অৱাংবা থাক্কী পাউগী লীখুল অমনা হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, ইহান হান্না লায়না অসিনা নাবা মীওই লৈরে হায়বসি মশাগী চহী ৬ লোমতমক ঙাইরিবী নুপীমচা অমগী ঈ চাংয়েং তৌরুবদা খঙলকখিবনি। অঙাং অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হাওরৈবী মখা লৈকায়গীনি। অনীশুবা কেস অদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শগোলতোংবা খুলদগীনি অমসুং অহুমশুবা অনাবা অদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী মনুং চনবা লংথবালদগীনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, অনাবা মাপন অদুগী মনুংদা অনীনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগীনি। অতোপ্পা অমনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগীনি। অনী অমনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগীনি। থৌবাল, চান্দেল অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগীনা অমমমনি। অনাবা মাপন অদুগী মনুংদা খরদি গুৱাহাটিরোমদা লায়েংনবা পুখ্রে অদুগা খরনা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটাল খরদা লায়েংদুনা লৈরি।

মমাঙ চহী ২০১৫দদি মীওই তরুক খক্তমক লায়না অসিনা নারে হায়বা খঙবা ঙমখি। হন্দক্কী অসিদনা মীওই মাপন নারকপসি ইপিদমিক থোক্লে হায়বমক য়াদ্রবসু চেকশিন্নিংঙাই ওইরে হায়না লম অসিদা রিসার্ছ তৌরিবা মীশক অমনা পাউচে অসিদা হায়রি।

ষ্টেটকী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমদগী ফংবা পাউনা হায়, লায়না অসিনা নাবা মীওইনা লৈরিবা খুল অদুদা নেসনল ভেক্টর বোর্ন দিজিজকী খুথাংদা খুদক খুদক্তা কাং হাৎনবা কাং হীদাক কাপথোকপা হৌখ্রে। মসিগা লোয়ননা মীয়ামগা ৱাখল তামিন্ননবা কেম্পসু চথবা হৌরগনি।

মরুওইনা ওকতগী শন্দোরকপা লায়না মখল অসি লাকশিন্নবগীদমক্তা মরু ওইনা ওক লোয়রিবা মীয়াম অমসুং মনাক নকপদা লৈবা মীয়াম্না মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি। লায়না অসি মী শিহনবা ঙম্বনি হায়বা ঐথোয় পুম্নমক্না খঙগদবনি।

মণিপুরদা চহী ১দা জপানিজ এনকেফে-লাইটিসনা নাবা মীগী মশীং ৩০ য়ৌবা য়াওখি। মসি য়েংলুরগদি অমসুং লায়না অসিগী মরমদা মীয়াম্না মমুৎ তানা খঙলগদি কা হেন্না মীপাইনিংঙাই ওইদে হায়রি।

লায়না মখল অসি চাংয়েং তৌনবা জেনিমস হোস্পিটালদা খুৎশু-খুলাই অমসুং মচাক-মথুমশিং শুনা লৈরে। মরম অদুনা পুং খরগী মনুংদা মীওই অমগী রিজল্ট পীবা ঙম্লেসু হায়রি।

## থৌবাল প্রোজেক্ট সেপ্টেম্বরদা শঙ্গারগনি : রোবিন্দ্রো

ইম্ফাল, জুলাই ২০(ঐচ এন এস): থৌবাল মল্টিপর্পোজ প্রোজেক্ট চহীসিগী সেপ্টেম্বর থাদা শঙ্গানবা পান্দম থল্লি। প্রোজেক্ট অসিদগী ইম্ফালগী থক্লবা ঈশিং পুরক্লবগীদমক চীংদা টনেল হুৎপা হৌরে হায়না আই এফ সী দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার জি রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

দি আই পি আর কমপ্লেক্সতা চথরক্লিবা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংগা পাউমীশিংগা উনবগী শরুক অমা ওইনা ইরিগেসন এন্দ ফ্লদ কন্ট্রোল দিপার্টমেন্ট (আই এফ সী দি)গী থবক থৌরাংশিংগী মতাংদা ৱা ঙাঙলদুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার জি রোবিন্দ্রোনা হায়খি, ষ্টেটসিগী ফ্লদ কন্ট্রোল অমদি ইরিগেসনগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা দিপার্টমেন্ট অসিনা থবক কয়া পায়খৎলক্লি।

থৌবাল মল্টিপর্পোজ প্রোজেক্টসু শাবা লোইশিল্লক্লে। প্রোজেক্ট অসি চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা শঙ্গানবা পান্দম থল্লি। প্রোজেক্ট অসিদগী ঈশিং চিংলগা ট্রিটমেন্ট তৌরবা মতুংদা ইম্ফালগী অকোয়বগী মফমশিংদা থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবা থবকসু পায়খৎলি। থৌবাল প্রোজেক্টতগী ঈশিং অসি চীঙ্খৈ চীং তম্না পুরক্লগা ট্রিটমেন্ট প্লান্টতা থাদগনি। প্রোজেক্ট অসিদগী ঈশিং পুনবগীদমক পাইপ ফুম্বগী থবক চথরি। টনেল অনী হুৎকনি। চীংদা টনেল হুৎকদৌরিবা অসি টনেল অমনা কিলোমিটর ২.২ শাংগনি অদুগা অতোপ্পা টনেল অমনা কিলোমিটর ০.৮৫ শাংগনি। কিলোমিটর ২.২ শাংগদবা টনেল অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা মিটর ৪০০ রোম হুৎপা হৌরে। ০.৮৫ কিলোমিটর শাংগদবা টনেল অসিগী ওইনসু হুৎপগী থবক পায়খৎপা হৌরে।

থৌবাল প্রোজেক্টকী রিভাইস প্রোজেক্ট কোষ্ট অসি লুপা ক্রোর ১,৬৯৪.২৭নি। প্রোজেক্ট অসিনা ইরিগেসন, ৱাটর সপ্লাই অমদি হায়দ্রো পৱার জেনরেসনগী খুদোংচাবশিং পীগনি। দোলাইথাবী বেরাজ প্রোজেক্টসু অয়াম্বা শরুকশিং লোইশিল্লক্লে। নোং-চীং চুবনা মরম ওইরদুনা থবক লোইশিল্লকপা অসিদা খরা পম্থবনি। চহীসিগী সেপ্টেম্বরদগী দিসেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা দোলাইথাবী প্রোজেক্ট অসিসু লোইশিল্লগনি। প্রোজেক্ট অসি প্লানিং কম্মিসন্না কুমজা ১৯৯২গী জুনদা অয়াবা পীরক্কুনা শাবা হৌগৎখিবনি।

প্রোজেক্ট অসিগী রিভাইস কোষ্ট অসি লুপা...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

## রতন ৱান্টেদ লাউথোকপগী কেস অতোপ্পা বেঞ্চতা শীন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০(ঐচ এন এস): জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস)কী হান্নগী কনভিনর খোমদ্রাম রতন মশানা পিটিসনর ওইরগা মহাকপু ফানবা পুলিসনা ৱান্টেদ লাউথোকখিবদু ককপীনবা থারকপা ৱাকৎ অমা মখা তানা খন্ননবা অতোপ্পা বেঞ্চ অমদা শীন্নখ্রে।



হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী এক্টিং চীফ জষ্টিস রাজেশ রঞ্জন প্রসাদ অমদি জষ্টিস সোংখুপচিং সের্টোনা শাবা দিভিজন বেঞ্চ অমদা ঙরাংদগী হিয়ারিং চথুরকখিবনি। ঙসিগী হিয়ারিংদসু রতনগী কাউন্সেল ওইনা সিনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনি, সিনিয়র এদভোকেট ইরোম ললিট অমসুং এদভোকেট রাকেশ মৈহৌবমনা ওইখি। অদুগা রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক অমসুং মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগীনা এদভোকেট জেনরল টি ঐচ ইবোহল, এদিস্নেল এদভোকেট জেনরেল নামোইজম ইবোতোম্বীনা ওইখি।

হায় কোর্ট অসিদা চথখিবা হিয়ারিং অদুগী তুংদা রতনগী কাউন্সেলসু ওইরিবা সিনিয়র এদভোকেট খাইদেম মণিনা পাউমীশিংদা হায়খি, হিয়ারিং হৌরকপদা রেস্পোন্দেন্টকী কাউ-ন্সেলশিংনা ঙসি পাউচেশিংদা ফোঙনরকপা পাউশিং অদু কোর্টতা ফোঙদোকখিদবা ৱাফম কয়ামরুম য়াওরে। মসিনা কোর্টকী ঈকায় খুম্নবদা শোকহল্লে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক অমসুং পাউচেশিংগী মথক্তা ক্রিমিনেল প্রোসিদিং লৌখৎনবা তকশিল্লকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ক্রিমিনেল কন্টেম্প লৌখৎলোইদবা ওইরগদি অতোপ্পা বেঞ্চ অমদা কেস অসি পায়হনবিয়ু হায়না তকশিল্লকখি।

রেস্পোন্দেন্টকী মায়কৈদগী থল্লকখিবা ৱাফমশিং তারবা তুংদা পিটিসনরগী কাউন্সেলগী মায়কৈদগী কোর্টতা চথবা হিয়ারিংগী আর্গুমেন্টকী মতাংদা মিদিয়াশিংদা খরা খরা হেন্না ফোঙবসি অতৈ মফমদসু অদুম চৎনৈ। পিটিসনর অমদি রেস্পোন্দেন্টকী কাউন্সেলগী লার্নেটশিংগী মমিং পনবদসু অকায়বা লৈতে। করিগুম্বা লার্নেটশিং শোকপা ৱাফমশিং য়াওরগদি...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

**HL POLL**

**Q :** Sadar hills ADCgi office building nong yubagi wathok asi leingakna yengsinba watpadagira?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q :** Subject khuding-mak tuition toubagi chatnabi asi schoolda ojana lairik ningthina tambidabagira?

Yes 70% No 30%

**অস! লোইরেহে!**

এজেন্ট বাবু, চেঙ কে জি মশীং শুনবা পীদ্রিবা করিগীনো...?



ঐঙোন্দা হংগনু, গোদাউন্দা হংলুচো!

## তৌবুল প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর শঙ্গোল ওন্থোক্লে

**কম্মন ফেসিলিটি সেন্টরদা অৱাইমল পীরগা পি ঐচ এস সী চলাইরম্লে**



শঙ্গোল ওইহল্লবা তৌবুল প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর



অৱাইমল পীরগা চলাইরিবা তৌবুল প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর

**ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম**

ইম্ফাল, জুলাই ২০(ঐচ এন এস): লুপা লাখ কয়া চঙনা শাখিবা তৌবুল প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর লন্নাই মীওইশিংগী শঙ্গোল ওন্থোক্তুনা থল্লগা অনা-লায়েংগী তঙাইফদবগী মিংদা অৱাইমল পীরগা লন্নাইগী শঙ ৱায়দুনা লায়েংশঙ চলাইদুনা লৈরম্লে।

হেল্থ দিপার্টমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট রুরেল দিভলপমেন্ট এজেন্সি (দি আর দি এ)দা অচৌবা শেনফম দিপোজিট তৌশিল্লগা কুমজা ২০০৭-০৮গী শেনবা চহীদা প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর অসি শাবা হৌখিবনি। চহী ৮ হৌখ্রবসু সব-সেন্টর অসি শাবা লোইশিন্দ্রে। মতম শাংনা থবক লেপ্তুনা লাকপনা শীজিন্নবা য়াদ্রবা, মল্লবা য়ুম অমগা চপ মান্নরে। শেল থাদরগা অমুক নৌনা শেমজিন-শাজিন্দ্রবদি শীজিন্নবা য়াগনি হায়বগী থাজবা লৈত্রে।

তৌবুলগী খুঞ্জা অমনা পাউচে অসিদা হায়, চহী ৮ হেল্লবা সব-সেন্টর অসি শাদ্রিঙৈ মমাঙদা মতমদুগী এম এল এ ওইরম্বা ওইনাম য়াইমনা লুপা লিশিং অহুম পুথোকপগী মথক্তা খুঞ্জা অনীনসু লুপা ৩০০০/৩০০০ পুথোক্লগা প্রাইমরি হেল্ঠ সেন্তর অমা খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা শাখি। শারিবা সব-সেন্টর অদুদা দাক্তর অমদি নর্সনচিংবা কয়া তোয়না লাক্তুনা লাইয়েংবগী থবক চথুরম্মী। অদুবু য়াইমনা ভোৎ কাখিদবদগী থবক পুম্নমক লেপখ্রে।

মফম অদুগী মীয়ামগী প্রেসর মতুং ইন্না মফম অদুৱাইদা লৈবা কম্মন ফেসিলিটি সেন্টরগী বিল্ডিং ৱায়রগা প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর অদু চলাইদুনা লাক্লি। অৱাইমল ওইনা সেন্টর অদুগী চৌকিদার থোংলেন কৌবা মীওই অমদা থাগী ওইনা লুপা ২৫০ পী হায়নসু মফম অদুগী মীওই খরনা হায়রি।

চৌকিদার ওইরম্বা থোংলেন লৈখিদ্রবা মতুংদা মতমদুগী প্রধান ওইরম্বা থোকচোম বিরা কৌবা অমদা লুপা ২৫০০ অমুকখক পীরগা মফম অদুমক্তদা থা ১০ রোম প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর অসি চলাইরকখি।

সব-সেন্টর অদুদা এ এন এম ওইবী অমনা হায়, নিংথৌখোং প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরগী মখাদা লৈরিবা তৌবুলগী সব-সেন্টর অসিদা ফর্ষ্ট এদ পীবা, ফেমিলি প্লান্নিংগা মরী লৈননা নুপীশিংদা কন্ত্রাসেপটিং পাইপ হাপ্পা, এন সি তৌবা, মীরোনবী নুপীশিংগী চ্যেক অপ তৌবা অমদি অঙাংশিংগী ভেক্সিনেসন্নচিংবা চথরিবনি। সব-সেন্টর অমগী খুদোংচাবা ফংদবা অমনবা শঙ অসিদা নুপীশিংগী ওইবা লাইয়েং চথবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মসিগী মথক্তা তোইলেট লৈতবনা লাইয়েংবা লাকপশিং অমদি হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। গভর্নমেন্টকী মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা লোয়শিনবদি পাম্মী অদুবু ষ্টাফশিংগী মায়কৈদগীদি করিসু তৌবা ঙমদবনা খুঞ্জাশিংনা গভর্নমেন্টদা তকশিনবা পাম্মী হায়খি।

নিংথৌখোং প্রাইমরি হেলঠ সেন্তরগী মখাদা লৈরিবা হেলঠ সেন্তর অসিদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

## য়ুহা হাবদা শোকখিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অনী শেমজিনবা য়াগনি খঙহল্লক্লে : প্রদিপ

ইম্ফাল, জুলাই ২০(ঐচ এন এস): চহীসিগী জন্যুৱারী ৪দা য়ুহা হাখিবদা চেকখায়খিবা খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল অনী মপানগী এক্সপার্টনা য়েংশিল্লবা মতুংদা শেমজিনবা য়াগনি হায়না খঙহল্লক্লে, রিপোর্টসু অথুবদা থারক্লগনি হায়না পি দব্লিয়ু দি মণিপুরগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার (বিল্ডিং) প্রদিপ মুখর্জিনা ফোঙদোকখ্রে।

দি আই পি আর কমপ্লেক্সতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা পি দব্লিয়ু দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার (বিল্ডিং) প্রদিপ মুখর্জিনা হায়খি, য়ুহা হাবদা চেকখায়খিবা নুপী কৈথেল অনীগী ফীভম মপানগী এক্সপার্ট নেক্তুনা কুপ্প া য়েংশিনহনখি। এক্সপার্ট টিম্না হকথেংননা কৈথেল অনীগী ফীভম য়েংশিনখ্রবা মতুংদা কৈথেল অনী অসি শেমজিনবা য়াগনি হায়না খঙহল্লক্লে। মসিগী অকুপ্পা রিপোর্ট অমসু অথুবদা থারক্লগনি।

ষ্টেট অসিদা পি দব্লিয়ু দিগী বিল্ডিং দিভিজন্না তোঙান তোঙানবা বিল্ডিং কয়া শাবগী থবক পায়খৎতুনা লাক্লি। থবকশিং অসিগী মনুংদা কেপিটোল কমপ্লেক্স, মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সশিং, এ দি সী কমপ্লেক্সশিং, এসেমব্লি বিল্ডিং, হায় কোর্টনচিংবা কয়াসু শাখি। দিপোজিট ৱার্ক ওইনা জেনিমস, সিটি কনভেন্সন, থৌবাল সোপিং কমপ্লেক্স, আই পি এস ঈ জেদনচিংবা বিল্ডিংশিংসু শাখ্রে হায়খি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা পি দব্লিয়ু দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার এম লোকেন্দ্রোনা হায়খি, হৌখিবা চহী ১০দা পি দব্লিয়ু দিনা ষ্টেট অসিগী লম্বী কিলোমিটর ৪৩৭৬.১৩৯গী ফীভম ফগৎহনখি। কিলোমিটর ৪৩৭৬.১৩৯কী মনুংদা কিলোমিটর ৮১.৮০না এন এল সী পি আরগী শেন্থং মখাদা পায়খৎপনি। কিলোমিটর ১৬৩.০৫না সেন্ট্রেল রোদ ফন্দগী মখাদা শেম্বনি। কিলোমিটর ২৮৫৬.৩৯ ব্লেক টোপিংগী থাক ফাওবা শেমগৎলে। কিলোমিটর ৬৭৮.৫৯না সেন্দ সিঙ্গল থারে। কিলোমিটর ৩৩৯.৩৯না দব্লিয়ু বি এমগী থাক ফাওবা শেমগৎলে।

কুমজা ২০০৪-০৫দগী ২০১৫-১৬ ফাওবদা পি দব্লিয়ু দিনা থোং ৮৪ শাখি। এ দি বিগী শেন্থং মখাদা এক্সটর্নেল এদেদ প্রোজেক্ট অনীসু পায়খৎলি। নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট রোদ ইনভেষ্টমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা তুপুলদগী বিষ্ণুপুর ফাওবদা কিলোমিটর ৫০.৮০ শাংবা অমদি থৌবালদগী...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

**RAJ MEDICITY**
(Formerly Raj Polyclinic)
24 x 7 Trauma Care & Emergency Services

RM/H-17-Adv/2016/03

**POST VACANCY**

| Sl. | Name of the Post | Qualification | Experience | No. of Vacancy |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Store Executive | B.Com / MBA with Tally knowledge. | 0 - 2 yrs. | 1 |

**NB: Candidate having Good communication skills and Tally knowledge will be preferred.**

*Printed Application Form will be available at the Front Office of the Hospital. Interested candidate can submit all relevant documents along with 2 passport photos to the "HR Department".*

*Last date of Form Submission is 25th July, 2016. Interview date on 27th July, 2016, at 09:00 a.m.*

*Attractive Salary Packages.*

HL-P/9154/21

ঈ-পাঙ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টশীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্লের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫